GAS

Tanglei Gas Oinam
BK. 9-4-2019
VF. 4-4-2019...STK 612
Delivery time 7 am - 10am

Heingang Indane
BK. 8-4-2019
VF. 26-3-19...STK 306
Delivery time 7.30 am - 10.30am

Imphal LPG Service
BK. UPTO DATE,
STK-906, 19KG-/5KG Available
No Booking Required,
Available Online Booking,
Online Payment, Home
Delivery,Delivery time 8 am

M.M. Gas
BK. 20-3-2019
V.F. 14-3-2019... STK 612
Delivery time 7 am - 10.30am

Manipur Gas
BK. 24-02-2019
V.F 22-02-2019...STK 306
Delivery time 7.30 am to 9.30 am

Sawombung Indane
BK. 9-3-2019
V.F. 28-2-2019...STK 306
Delivery time 7.30 am to 10 am

Athokpam Indane Wangjing & Khongjom
BK. 3-03-2019,
V.F. 19-2-2019...STK 612
Delivery time 7.30 am to 10 am

TDK Gas
BK. 8-03-2019,
V.F 4-03-2019...STK 612
Delivery time 7.30 am to 10.30am

K&K Indane Service
BK. UPTO DATE
V.F. 12-4-2019...STK-612
Delivery time 7.30 am to 11 am

Maibia Gas Moirang
BK. 25-2-2019, SL. 1971-2660
V.F. 22-2-2019...STK-306
Delivery time 7 am to 11 am

Mahalaksmi Indane
BK. 1-4-2019, SL. 249030
V.F 24-03-2019...STK 306
Delivery time 7am to 11am

GBD Indane Service
BK. 7-3-2019
VF. 16-2-2019 .... STK 612
Delivery time 7.30 am to 11am

Hrangchal Gas
BK. 21-3-2019
V.F 15-03-2019...STK 612

Khumbong Indane
BK. 24-3-2019
V.F 20-03-2019...STK 306
Delivery time 7.30am to 10.30am

Misao Gas
BK. 1-4-2019
V.F 11-03-2019...STK 612
Delivery time 7.30am to 10 am

স্কুলদা বোম্ব থল্লম্বা মাওইষ্টকা মরি লৈনদে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ লিট্টল ফ্লৱার স্কুলদা বোম্ব থল্লমখিবা অদু মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগা মরি অমত্তা লৈনদে। স্কুলদা বোম্ব থল্লম্বগী থৌওং অদু লুপ অসিনা তশেংনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়না আইননা থিংখ্রবা লুপ অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, কেথোলিক স্কুলদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি পেরেন্টস টির্চস এসোসিয়েসনগী লুচিংবা অনিনা অওৎ অপা শাবা অমদা কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী প্রিন্সিপালনা সেন্ট জোসেপ হায়র সেকেন্দরি স্কুলবু মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবদা থোকপা থৌদোক্লি। ৱাথোক অসি য়াশিন্নবা পুরক্লবা লুপ অসিনা য়ান্না কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু পেরেন্টস টিচরস এসোসিয়েসনগী লুচিংবা অনিনা য়ান্না কন্না মখোয়গী মীশিং মীং চন্নবা হোৎনবদা ৱাথোক অসি হৌজিক ফাওবা লোইবা নাইদনা লৈরিবনি।

লুপ অসিনা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি পেরেন্টস টিচরস এসোসিয়েসননা অঙাং মিং চনবদা অসুক য়াল্লা থৱায় য়াওরিবসি করিগীনো। য়াল্লা লৈবাকমচা তবা অমদি তু কোয়বা ফিভম অমদা লোয়শিন্নবা মহুৎত এসোসিয়েসন অসিনা অঙাং মিং চনশিল্লগা কেথোলিক এদুকেস্নেল সোসাসটি মণিপুরনা থাজবা থল্লুবা অদুসু অচৌবা অশোইবা অমনি। অঙাং মীং চনবা য়ারোই হায়না মশাদা ফোন তৌদুনা খঙহল্লবসু লুপ অসিবু শিংনদুনা মিং চল্লম্বা পেরেন্টটিচরস এসোসিয়েসনগী মীওই অনি কৈদৌঙেদা ঙাকপিবা তৌরোই। মুক্লবা নেমথখিবদা মলোম তৌরিবা কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী কাংবুনা পেরেন্টস টিচরস এসোসিয়েসনগী মতেং লৌরগা অঙাং মিং চন্নবা শেল খোল্লা মহৈরোয় এজেন্ট খরগা মান্নরগা অঙাং ১৬ লোন্না মিং চনশিল্লম্লে। অদুনা মখা তানা মুক্লবা অসি চাওথোরকপা থোক্লবদি মদুগী তেকচাক খুদিংমক পেরেন্টস টিচরস এসোসিয়েসন অমসুং কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুরনা পুগদবনি হায়রি।

অরোইবদা চেরোল অসিনা হায়রিবনা য়াওল্লুপকী মীংচৎ থিহনবা য়াবা থবক অমত্তা লুপ অসিনা শৌগৎলোই। করিগুম্বা কেথোলিক এদুকেস্নেল সোসাইটিমণিপুরনা পেরেন্টস টিচরস এসোসিয়েসনগা মরি লৈনদ্রে হায়বা ৱাফম লাক্লগদি লুপ অসিনা মহৈরোয় খুন্নাই অমসুং মহৈরোয়শিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবা য়েংলগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌগনি হায়রি।

জেনিমসতা ঈরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ ঙসি নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা জেনিমসকী চিল্ড্রেন ৱার্দতা থা ৯ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা লৈখিদবগী ৱাহৌদা ঈরাং থোকখ্রে।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাং অদুগী মমিংনা চান্দম বেমবেম অপোকপা দিজেন কৌই। শেঞ্জম চিরাংদগীনি। ঙসি অয়ুক চীংমৈরোংদা লৈবা দোক্তর অমদা য়েংবদা ফিভম খরা লুই হায়বদগী জেনিমসকী কেজুয়েল্টিদা পুখৎতুনা লায়েংখি। মখা তানা নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা জেনিমসকী চিল্ড্রেন ৱার্দতা এদমিট তৌদুনা লায়েংখিবনি। অদুবু নুমিদাংৱাইরম লৈখিদবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা জেনিমসতা থোমজিন্দুনা ঈরাং থোকখ্রে। অদুবু অথেংবদা জেনিমসকী ওথোরিটিগা ৱারি শান্নখ্রে হায়রি।

হয়েং ইম্ফাল ইষ্টকী কেন্দ্র ৪গী পোল্লিং ষ্টেসন ১৪দা পাংথোক্কদৌরিবা রিপোলগীদমক মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী দি ই ও রঙ্গিতাবলিনা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম

চৎন-কাংলোন..

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বরশিংনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা বোর্দিং হোম অদুদা চাক চাফম কা ফজনা লৈতবগা লোয়ননা ভেরেন দাদা চাক পীজবা, মপাল-ইপাল থোক্লুরগা খোং-খুৎ হামফম লৈতবা, থরুবা ঈশিং ফজনা তরু-তনান্না থম্বিদবনা লোয়ননা মওং-মরিল তাদনা মহৈরোইশিং থল্লম্বা থেংনখি। অমরোমদা য়াম্না লাইবক থিবা অমনা ক্লাস টেনগী মহৈরোই নুপীমচাশিং অদু নুপামচাশিংগী কাগা হেক থংননা ৱাচেংনা ফক্লাং খাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা কয়া অসি থোক্তনবা মরী লৈনবা এদুকেসন (এস) অমসুং এস সি ই আর টিনা হোৎনদ্রবদি য়ুনিয়ন অসিনা অকনবা খোংজং কয়া চংশিন্নবা শেম শারগনি। হৌজিক হৌজিক শেন্দোংগীদমক খল্লগা বোর্দিং হোম চল্লাইরিবা কয়া অসি য়ুনিয়ন অসিনা অকনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা সর্ভে হৌরগনি। বোর্দিং হোম চল্লাইরবশিংনা নুপা-নুপীগী মতিক চাবা কা, প্লেগ্রাউন্দ, হাইজিনিক ওইবা চাক চাফম কাগা লোয়ননা মচল শুবা চিঞ্জাকশিংগী নোংমগী ওইবা ফুদ চার্টশিং শেমগদবনি হায়রি।

কেসিপি-এমসিননি হায়না ক্লেম তৌরক্লি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ ঙরাং লিট্টল ফ্লৱার স্কুলগী মমাংদা বোমগী লাং থাক্লম্বদু কে সি পি-এম সিনা চংখিবনি। থৌওং অসি মীয়াম্না অপেনবা ফাওরোই হায়বা লুপ অসিনা খংই। অদুবু লৈরিবা খুন্নাই অসিদা থৌওং অসি তঙাইফদবা খোংথাং ওইরক্লি হায়না আইন্না থিংখ্রবা কে সি পি-এম সিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি মিলিটরি এফিয়ার্সকী সেক্রেটরি লনচেনবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা ঐখোয়গী খুন্নাইদা ইকাই খংদবা অমসুং ইশাগী অশোইবা খংদবা অসি অনৌবা চৎন-কাংলোন অমা ওইরক্লি। খুদম ওইনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা পাংথোকখিবা এম পি ইলেক্সন অদুদা ভোট কানবা হোৎনখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শেল য়েনবদা মীয়াম্না হরাওনা লৌই। থৌওংদু হুরানবগী লিচৎনি হায়বা খংলবসু খংনা মীয়াম্না শেল লৌরি। অসিগুম্বা খুন্নাই অসিদা স্কুলদা বোম থল্লম্বসি করিসু থোইদোক্লা অরানবা য়াওদে। অদুবু মশানা শেল লৌরুবা অদুদি অরানবনি হায়না খংবা ঙমদে। অদুবু কে সি পি-এমসিনা স্কুলদা বোম থল্লম্বা অদুদি অরানবনি হায়না ঙাংনৈ।

লাইনিংবা ময়াম্না খুলিংবা কেথোলিক স্কুলদা লালহৌবগী মীংদা অঙাং ময়াম লান্না এদমিসন তৌরে। এদমিসন তৌরিবা অসিদা কে সি পি-এম সিগী মীংসু পকশিল্লগা পেরেন্ট টিচর এসোসিয়েসনগী লুচিংবা অনিনা অঙাংশিং অসি মীং চনখিবনি। লুপ অসিগী ওইনদি অমুক্তা ফাওবা অঙাং মীংসু চল্লক্ত্রি। অদুগা চন্নবা হোৎনখিবসু লৈতে। অদুবু পেরেন্ট টিচর এসোসিয়েসনগী লুচিংবা অনিনা কে সি পি-এম সিগী মীংসু পকশিল্লগা অতোপ্পা লালহৌলুপ অমগা মান্নরগা অঙাং ১৬ স্কুলশিং অসিদা লান্না মীং চল্লম্বনি। খোংথাং অসি হন্দোক্লবা চিং-লেম্না হায়বদা তাদ্রবদি বোমগী লান্দা অসি চংথরকপা তাবনি।

নাকল অমরোমদা য়াওল লালহৌ মশক থিহন্নবা হোৎনরিবা খুদিংমক লুপ অসিনা মশক খংলে। চেন্নরিবা মীওইশিং অসি পেরেন্ট টিচর এসোসিয়েসনগী মীওই অনি। মখোয়গা পাউ ফাওনরিবা মীওই ১, অঙাং মীং চনবিগে হায়দুনা খোল্লা মহৈরোই অঙাং খরা, য়াওল লালহৌগী মীংদা অকল-অরিং শিংবা, হান্না নেপালদা লৈরম্বদগী নুপী অঙাং কোন্ননা ফাখিবা লুচিংবা অমগী মখাদা থবক তৌরম্বা লল্লাই মায়কৈদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুবা মীওই খরনি হায়রি।

অরোইবদা চেরোল অসিনা হায়রিবনা য়াওল লালহৌগী মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরিবা পেরেন্ট টিচর এসোসিয়েসন য়াওনা কেথোলিক স্কুলগা মরী লৈনরিবা খুদিংমক্লা অথুবা মতমদা মীয়ামদা লাল্লে হায়না চংজদবা থোক্লবদি মখা তারকপদদি লুপ অসিনা চংথরকপা থৌওংশিংদা লুপ অসিনা কনাগীসু শক-মাই য়েংলোই। করিসু য়াওজদবা কে সি পি-এম সিগী মীংবুসু য়াওনা শিজিন্নরগা মণিপুরগী য়াওল লালহৌবু মশক থিহন্নবা হোৎনরবনিনা লুপ অসিনা মখা তানা কৈদৌঙৈদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। লিট্টল ফ্লৱার স্কুলদা চংখিবা থৌওং অদু অহৌবনি। অরোইবা নত্তে। কেথোলিক স্কুলশিংনা করিগীদমক য়াওল লালহৌগী মীংচৎ থিহন্নবা করিগীদমক শিল্লিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা মীয়াম খংনা পাউখুম পীদ্রবদি মতুংদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী দাইত্ব পুম্বা মশা-মশানা পুজগদবনি। হৌখিবা চহি কয়া অসিদা লুপ শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনবদা কে সি পি-এম সি ইরোন্নুংদা লুপতুনা লৈবনি। অদুবু পেরেন্ট টিচর এসোসিয়েসনগী লুচিংবা খরনা য়াওল লালহৌগী মীং শিজিন্নদুনা অরানবা মওংদা মীং চল্লম্বসি লুপ অসিনা কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়রি।

সিএম কেন্দ্রদা মণিপুরগী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা রিপোল পাংথোকপা ইকাইনিংঙাইনি

ঃ কংগ্রেস

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ হন্দক পাংথোকখিবা ইন্নরগী লোক সভা মীখল অদুদা করিগুম্বা নিয়ম চুম্না ভোট থানরম্বা তারবদি কংগ্রেসনা শোইদনা মায় পাক্কদবনি। অদুবু মীখল অসিদা পাক শন্না রিগ্গিং অমসুং বুথ কেপচরশিং তৌখি। রিপোল তৌনবা ই সি আইনা পোল্লিং ষ্টেসন খরা লেপ্পকখিবা অসি নিংবা থুংই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না সি দব্লিউ সিগী মেম্বরসু ওইরিবা ফোর্মর দিপুতি সি এম গাইখাঙম্না ফোংদোকখ্রে।

ঙসি কংগ্রেস ভাবন্দা পাংথোকখিবা খোংজোম দে পালন থৌরমগা মরী লৈননা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা গাইখাঙম্না হায়খিবদা হন্দক্কী মীখল অদুদা পাক শন্না রিগ্গিং অমসুং বুথ কেপচর তৌখিবা অদুদা লোৎপদা ৱারগদবা খরখক রিপোল তৌনবা পুথোরকপনি।

হয়েং ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা হৈঙাংদা পোল্লিং ষ্টেসন ৫, থোংজুদা ১, কৈরাওদা পোল্লিং ষ্টেসন ৪ অমদি অন্দ্রোদা পোল্লিং ষ্টেসন ২ রিপোল তৌগদৌরিবা অসি লোৎপা য়াররোইদবা অমসুং লোৎশিনবদা ৱারগদবা মফমশিংনি। হায়রিবা মফমশিং অসি নত্তবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াসু লৈরিবনিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পোল্লিং ষ্টেসন ১২ দা রিপোল চংথরিবসি পুংপেন পেনবামক নত্তবসু খরমথৈদি পেল্লে হায়বা য়াই।

কংগ্রেসকী ওইনদি হন্দক পাংথোকখিবা লোক সভা মীখল অদুদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর লৈরিবা হৈঙাং কেন্দ্র য়াওনা সরকার অসিগী মিনিষ্টর কেন্দ্রদা অরান অহুই তৌখি হায়বগীদমক হয়েং রিপোল তৌগদৌরিবা অসি ইকায়নিংঙাইনি। হয়েং ইসিআইনা রিপোল তৌগদৌরিবসি মরুওইনা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা মীখলদা মনি পৱার অমসুং মসল পৱার শিজিন্নখি হায়বদু ময়েক শেংলে। মসিগুম্বা থৌদোক অসি মণিপুরগী ওইনদি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরমগনি। মসিনা তাকপদি মীখলদুদা মাস রেগ্গিং অমসুং বুথ কেপচরনচিংবা চংখি হায়বদু প্রুভ তৌরে।

মতম অমদদি মসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা তৌখি হায়বগী পাউ তান্নরম্মী। অদুবু ঙসিদি তম্পাক্কী মফমশিংদসু ফ্রি এন্দ ফেয়র ওইবা মীখল পাংথোকখিদবসি তশেংনা লাইবক থিবনি। মরম অদুনা হন্দক পাংথোকখিবা লোক সভা মীখল অমসুং হয়েং পাংথোক্কদৌরিবা রিপোল অসি নিয়ম চুম্না অয়েৎ অপন য়াওদনা ভোটরশিংনা পীনিংবা মীওইদা ভোট পীহল্লবদি কংগ্রেস পার্টিনা চাওনা মাইপাক্কনি হায়বসি অচেৎপা থাজবনি। হয়েং পাংথোক্কদৌরিবা রিপোল অসি কংগ্রেসকী ওইনদি য়াম্না চাওনা এদভান্টেজ লৈ। হন্দক পাংথোকখিবা লোক সভা মীখল অসিদা ইভিএম মতম চানা ষ্ট্রেং রুমদা থমজিল্লবা অমদি ষ্ট্রেং রুমশিং অদু ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং য়াওদনা হাংদ্রবদি পাংথোক্লিবা মীখল অসি কংগ্রেসনা শোয়দনা মায়পাক্কনি হায়বসি পার্টি অসিগী অচেৎপা থাজবনি হায়না জি গাইখাঙমনা মখা তাখি।

বৃটিশকী মায়োক্লবা লানফমদা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা...

শিজিন্নদুনা হেন্না চাওখৎপা অনৌবা মণিপুর অমা শেম্লসি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না হায়, ঙসিদগী চহী ১২৮ কী মমাং ইং ১৮৯১ দা মণিপুরগী নিং-তম্বা ঙাকপগী অরোইবা লানফম অমা খোংজোমগী মফম অসিদা লান শোক্লখি। লানফম অদুদা মমা লৈবাক্কীদমক মপান নাইদ্রবা কৎথোকপা ঙমখিবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং অদুবু ইকাই খুম্নবা উৎপা অমদি নিংশিংজবা ওইনা চহী খুদিংগী খোংজোম নুমিৎ হায়না পালন পাঙথোক্লিবনি। নিং-তম্না হিংবা অমদি নিং-তম্বা লৈবাক অমা ওইবা হায়বা অসি মীওইবা জাতি খুদিংমক্কী অরোইবা পান্দম অমা ওইরিবনি। মরম অসি লৈবনা মীওই লিশিং-লিশিংনা মরৈবাক্কীদমক থৱাই কৎপা ঙম্নরিবনি। ইং ১৮৯১ গী এঙ্গলো মণিপুরী লান অদু ইরমদম অসিগী মীয়ামনা মশাগী নিং-তম্বা পুৱারীগী শক্তম অদু কন্নবা অচৌবা ফোর্স অমগা শোক্লখিবা লাননি। মালেমদা লমদম অসিগী মীয়ামনা লৈবাক নিংবা অমদি থৌনা ফবা হায়বা খ্বাইদগী অথোইবা মগুনশিং অদু উৎথোকখি।

ইং ১৮১৯ দগী ইং ১৮২৬ ফাওবা চহী ৭ খুন্তাকপা থোকখিবনা মরম ওইদুনা মীশিং কয়া হহুখি। লোয়ননা মতম অদুগী লৈঙাক পাইবশিংগী মরক্তা মত মান্নদবা অমা খুৎশু-খুৎলাই ৱাৎপনচিংবা কয়া লৈখি। মরুওইনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মত মান্নদবা, ফম মুন্নবা, মশা-মশাগী অপাম্বা, অনিংবদা চৎখিবনা লৈবাক অসি মীখা পোন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইখি। পুন্নমক ওইদুনসু লমদম অসিগী নিং-তম্বা ঙাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা উপাই অসি লান শোক্লবা নত্তনা অতৈ উপাই লৈখিদে। লৈবাক নুংশিবা অদুগী ৱাখল্লোন অমদি থৌনা অদুনা লেহুংনবগী লিচিং ওইখি। মণিপুরগী লাম্নীশিংনা খম-থেংনা মিলিটরি দিসিপ্লিন অমদি মোরেল উৎপা ঙমখিবনি। অদুগুম্বা নিং-তম্বগী লানফম অদুদা মণিপুরনা মায়থিবা নংখি। লান অদু মায়থিগনি হায়বা খঙনা-খঙনা শোক্লখিবা লাননি। অদুমকপু পুৱারীদা মণিপুরনা মরৈবাক নুংশিবগী উৎখিবা থৌনা অদু মালেমদা থাক ৱাংনা লৈরি। ঙসিগী পাঙথোক্লিবা খোংজোম লান নিংশিংবগী থৌরম অসি মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লি। লোয়ননা নিংশিংজগে হায়বদা ঙমদবা কয়া অমনি। পীকচরবসু পীক্লা মণিপুরগী লৈমাই অসিদা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুনা কৎথোক্লম্বা থৌনা অদুনা মরম ওইদুনা ঙসিদি ঐখোয়না চহী খুদিংগী নুমিৎ অমা কাইথোক্তুনা মালেমগী মাংদা পাঙথোকপা ঙম্লিবনি। অসিগুম্বা থৌনা ফবা মরৈবাক্কীদমক থৱাই কৎখ্রবা থৌনা ফবশিংগী শেংলবা মফম অমা ওইরিবনি।

হৌখিবা পুৱারীগী থৌদোক অদুনা ঙসিগী মীরোলদসু মরৈবাক নুংশিবগী অমদি কৎথোকপগী পাউজেল পীরি। ঙসিগী মীরোলনসু তুংগী মীরোলগীদমক কৎথোকপগী তঙাই ফন্দবা লৈ। লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়ামগী অশেংবা মশক অদু ঙাকপগা লোয়ননা চাওখৎ খোঙথাং কয়া লৌখৎতুনা খুন্নাইগী পুন্সি মহিং অসি অফবা মায়ওন অমদা হোংহনবা চঙই। নিং-তম্না চাওখৎপা মওংদা হিংবা হায়বা অসিগীদমক তৌগদবা কয়া অদু লমদম অসিগী মীয়ামনা অমুক্কা হন্না খহ্বা তঙাই ফদে। হৌখিবদা করি তৌখি, হৌজিক করি তৌরি হায়বা খঙবগা লোয়ননা তুংগীদমক করি তৌগনি হায়বা অসি খহ্বা মতম ওইরে। লাইশু খঙনা ঙাংবা অমদি থবক তৌবগী তঞ্জা অদু লাক্লে। ঐখোয় অপিকপা ৱাখল অমদা লেপ্তুনা লৈবগী মতম অদু নৎত্রে। ঐখোয়গী মাংদা ঐখোয়না তৌগদবা হিরম কয়া অমা লৈরি। চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা অমদি লৌউ-শিংউবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থবক থৌরমদা হোংদোক্কদবা কয়া অমা লৈরি। অমুকসু মালেমগী মহৈ-মশিংগী লমদা হিদানবা ঙম্নবা লাইরিক লাইশুদা অওনবা পুরক্লবা হোৎনবগী তঙাই ফন্দবা কয়া লৈরি। ঐখোয়গী খুন্নাইগী চৎনবী, লোল, শক্তম অমদি নাৎ ঙাক্তুনা থম্নবা লোয়ননা কাংলুপ মশেল নুংশি-চান্না লৈমীন্নবগী মচাকশিং শেমগৎপদা তঙাই ফন্দবা কয়া লৈরি। মরম অদুনা ঐখোয় ইমোসন্দা চৎলোইসি। ঙসি ঐখোয়না লৌবা তুং কোইনা চৎনগদবা ৱারেপ অদুনা চাওখৎপা মণিপুর অমা শেমগদৌরিবনি। লাইওইখ্রবা অথৌবশিং অদুনা নিং-তম্বা ঙাকপা হায়বা অসিনা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক থৌদাং ওইগদবনি হায়বা উৎপীরমখি। ঙসিগী মীরোল ঐখোয়নসু লমদম অসি ৱাৎতা-পাদবা মালেম অমগী চাওখৎ লমজেলদা থোং মান্না য়াওবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বা অসি ঐখোয়গী লেঙদ্রবা থৌদাংনি হায়না ৱারেপ লৌমীন্নসি। মদুতনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপগী ৱাহহোক লৈগনি। লাইওইখ্রবা অথৌবশিং অদুনা নিং-তম্বা ঙাক্লবা কৎথোকচবা অদুগুম্না ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না চাওখৎপা মণিপুর অমগীদমক কৎথোক্লসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেহ্লা কেন্দ্রগী এম এল এ পি ব্রোজেন্না মীয়ামবু তরাম্না ওক্লদুনা হায়, ঙসিদি খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স অসি শেংলবা তির্থা অমা ওইরে। ঐখোয়না লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুনা কৎথোকপীরম্বা অদু নিংশিংদুনা ঐখোয়সু খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোলগীদমক অফবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লসি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মাংওইননা অয়ুক পুং ৯ তাবদা গবর্নর ডাঃ নাজমা হেপ্তুল্লা অমদি চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অনিনা লুচিংলগা খেবা চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী নিংশিং ফুম্নীদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি। তুংদা খেবা চীংখোংদা লৈবা পাওনা ব্রজবাসিগী নিংশিং মীতমদা মখা তানা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি। লোয়ননা খোংজোম লানফমদা মরৈবাক্কীদমক থৱাইনা পোহ্বা পীখিবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা মণিপুর রাইফলসকী কন্টিঞ্জেন্টশিংনসু গন সেলুট পীখি। তুংদা খোংজোম তুরেলদা তর্পন কৎখি। লোয়ননা ধর্ম্মগী ওইনা পাঙথোকখিবা সঙ্কৃতনগী থৌরমদসু শরুক য়াখি।

দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা খোংজোম পর্ব্ব অমদি খোংজোম লানগী ড্রামাসু উৎখি। লোয়ননা ষ্টেটকী ফঙ্কসন লোইরবা মতুংদা মায়কৈ কয়াদগী লাকপা মীয়ামনা খেবা চীংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি।

মৈতৈ ফুরুপশিং..

মশেলগী মরক্তা হেন্না নুংশিনবগী শক্তম অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়খি। থৌরমদুগা মরী লৈননা গৌরনাগর খোৱাই খুলগী অঙাংশিংনা পাওনা ব্রজবাসিগী মতিক ময়াই, থৌনা লিংজেল শৈথাবা খোংজোম পর্বা শক্তুনা মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিনখি।

চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা..

অফবা খুন্নাই অমা ওইনবগীদমক তোঙান তোঙানবা লাইরিক পাবা চংই।

লমদম অসিগী মমা মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু লাইরিক পাবগী হৈনবী অমা লৈনবা হোৎনবিয়ু। লাইরিক পাবা খক নত্তনা মদুদা য়াওরিবা কান্নবশিং অদু লৌশিন্দুনা লমদম অসিদা তৌবা য়াবা থবক তৌদুনা চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়ানবা হোৎনসি। হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা মোরেল মাংশিল্লক্লিবা অসি লাইরিক পাদবগী খুদমনি। মরম অদুনা মোরেল ফগৎনবা অফবা লাইরিকশিং পাবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ ২০১৯ নোংমাইথেম তেম্বীদা খুৎশিন্নখি।

রিমসকী কলেজ ওফ নর্সিংগী.....

নর্সিং মহৈরোইশিং অদু মখোয়গী মচা-মনাও অমগুম লুম্না লৌদুনা মখোয়গী অৱাবদা করিগুম্বা অঙম্বা খরা তেংবাংনবা মতেং পাংনবা অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা তাং ২২গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা কলেজ ওফ নর্সিংগী প্রিন্সিপাল ঐচ জমুনা দেবীদা চৎতুনা নর্সিং সুপরিন্টেন্দেন্ট এস ঐচ লাতাগা লোয়ননা রিমসকী নর্সিং ওফিসারশিং, রিমস নর্স এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিং অমদি নর্সিং সিষ্টরশিংনা লুপা লাক্ষ ১গী তেংবাং অদু খুৎশিন্নখি। মখা তাবা থৌদোক কয়াশিংদসু অমত্তা ওইবগী ৱাখলগা লোয়ননা ইমুং অমগুম হিংমিন্নবগী থাজবসু থমখি হায়রি।

ইন্নরগী লোক সভা মীখলদা...

তৌখিবনা সিপিআই য়াওনা কেন্দিদেটে অয়াম্বনা রিপোল তৌগদবনি হায়না য়ান্নখিবনি। হৈঙাং কেন্দ্রদা ভোট থাদবগী চাং অসি চাদা ৯০ গী মথক্তা ওইখিবনা হৈঙাং কেন্দ্র খক্তদা রিপোল তৌনবা দাবি তৌখিবনি। অদুবু মীখল নিয়ম চুম্না পাংথোকখিদে হায়বগী কমপ্লেইন কয়া লাকপদগী স্ক্রুটিনি পাংথোকখিবা অদুদা পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বা অশোয়বা কয়া থেংনরকপদগী হৈঙাং কেন্দ্র পুম্বা রিপোল তৌনবা দাবি তৌখিবনি। অদুমকপু মমিং খক্কী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন খরা খক্তমক রিপোল পাংথোকপগী মমি তাই। মরম অদুনা মণিপুর মীয়াম্না মশল পৱার অমসুং ভোটিং রাইট মৎলিবশিং অসিগী মায়োক্তা খোংজং চংশিনবা মতম ওইরে হায়খি।

ময়ুমদগী থোকখ্রগা থিবা খংদবা..

অরুনগী ৱাফম অদুদা করিগীনো নহাক্লা কাতু কারন ঙাংলিবা হায়না থৌশাখিদে। লোয়ননা মতম অদুদা অঙাংদি তুমখ্রে হায়বদগী য়েংলমদনা থোকখিবনি। অদুবু অথেংবা ফাওবা হঞ্জিল্লক্তবদগী মমান্নবশিংদা কোইথি থিনবদা লৈকাইগী প্রধানগী গারিদা চৎমিন্নখি হায়বা খংখি। নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা কোইথি থিবদা ফংখিদে। অদুবু ঙসি অয়ুক অসি লৈকাইগী অঙাংশিংনা লৌবুক্তা চৎপদা থেংনরকখিবনি। অরুনগী অশিবা হকচাং ফংখিবগা লৈকাইগী প্রধান রবি ইরিলবুং পুলিসতা চংজখ্রে। অদুবু থৌদোক অসিদা মহাক তশেংনা চেন্নৱা নত্রগা চেন্নদব্রা হায়বদুদি খংবা ঙমদ্রি। অরুনগী লোয়নবী হেলেন নুমিৎ খরনিগী মমাংদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকপদগী মপামদা চৎখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদে। হেলেন মপামদা চৎখ্রবা মতুংদা থিনরুবদা ময়ুমদা লৈরমখিদে। খুন্দ্রোক্তা ওইনা লৈরমখি হায়রি।

অমরোমদা মীশি অসিগী মতাংদা লৈকাইগী মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাংথোক্তুনা মখা তাবা খোংজংগীদমক জে এ সি শেমখ্রে। মীশিং অসিগী মতাংদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা পুথোক্তুনা মতিক চাবা দন্দি পিদ্রবদি মখা তাবা অকনবা খোংজং কয়া অমা চংশিনগনি হায়রি।

খোংজোম লানগী নিংশিং...

হেন্না মশক থোক্লা থবক তৌরম্বা জাতিশিংনি। অসিগুম্বা জাতিশিং অসিগী ইপা ইপুশিংনা ইরমদম অসি ঙাকচদুনা মনিং মখা তম্বা লমদম অমগীদমক ইং ১৮৯১ গী খোংজোম লানগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোকশিং অসি নিংশিংলদুনা এনইআইদিপিনসু থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ইপা ইপুশিংনা পামজরম্বা মনিং মখা তম্বা লমদম অমগীদমক পার্টি অসিনসু ইপা ইপুশিংগী খুদু ইন্না চৎননবা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈ। লোয়ননা ঙসি ইপা ইপুশিংগী নিংশিং থৌরম পাংথোকপসিনা পার্টি অসিনা ইপা ইপুশিংগী লিক্লমদা চৎননবগী ৱাখল চেল্লি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎপনি হায়না ডাঃ এনজি বিজোয়না মখা তাখি।

অথৌবাশিংগী খুভমদা হৈ লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্না উৎখিবা থৌরম অদু এনইআইদিপিগী লুচিংবা আরকে আনন্দ, এক্স এমএলএ কে সরত, এক্স এমএলএ থাংজম মোহেন্দ্রো, ও মালেস য়াওনা পার্টিগী থৌমী কয়ানা শরুক য়াখি।

COMBINED TUTORIALS FOR CBSE
Estd. 2007
The Largest CBSE Tutorial Centre In Manipur.
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK MACHIN, PARKING IMPHAL.
ADMISSION OPEN
Class XI CBSE 3 Months Foundation Course
Class XII CBSE 6 Months Foundation Course
Class IX & X CBSE 6 Months Foundation Course
Class Starting From 03rd April 2019
Van Services/ Hostel Available for Boys & Girls

92% Biswapriya Das S/O Sushilkumar Maria
91.6% Ch. Nancy D/O Ch. Meraton R.K.S.D.V.
91.2% T. Loyalaima D/O T.(L) Manigun R.K.S.D.V.
90.2% Lolly Telem D/O Telem Loke R.K.S.D.V.
94% R.K. Dhanajeet S/O R.K. Harshyam K.V. Lamphel
93.6% Praveen Ashem S/O Ashem Jack K.V. Lamphel
93.4% Laimayum Preety D/O L. Mangisana R.K.S.D.V
93.4% Th. Bindiya Devi D/O Th. Nabachandra J.N.V. Umathel
93.2% Jaiphabi M. D/O M. Mangi J.N.V. Cachar
92.4% Amarjit Laishram S/O L. AjitKumar J.N.V. Umathel
90.8% Ligandro Yumnam S/O Y. Bhochao Mayo College
90.4% Precita Yaikhom D/O Y. Sanjoy Maria

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 3rd Jan., 19
TOPPERS of 2018
VAN AVAILABLE
1. THOUBAL, LILONG, CANCHIPUR
2. OINAM, NAMBOL, MALOM
3. MAYANG - IMPHAL, SAMUROU
4. SEKMAI, MANTRIPUKHRI
5. MOIDANGPOK, KHUMBONG & PATSOI
6. PHEIDINGA, LAMSANG, LANGOL
7. GREATER IMPHAL AREA
Form Available for Mock Test 2019

Date	Subject
10/1/19	English
14/1/19	Maths
16/1/19	S.Sc.
19/1/19	Addl.Sub
22/1/19	Science
24/1/19	MIL

Last Date of Form Submission 6th Jan.
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
STUDENTS OF NIRMALABAS, LITTLE FLOWER, HERITAGE, ST. JOSEPH, TINY TOTS, CATHOLIC SCHOOL, REGULAR, LEE FAITH & CHRIST JYOTI, DON BOSCO.
LIMITED SEAT
Contact - 7628946313 - 9402897710 - 8732022342